ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯁꯦꯞꯇꯦꯝꯕꯔ ꯲꯰, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯶ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯱꯷꯴ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, সেপ্টেম্বর ২০, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ১৭৪শুবা মশীং

# খ্বাইদগী মরু ওইবা করিনো

## খঙদোক্লগা থবক পায়খৎলু

হৌজিক্কী মতমদা মী লৈনরিবা য়ুনিয়ন টেরিটোরি, ষ্টেট নৎত্রগসু অপূনবা মালেমসিগী মীয়ামগী য়াইফ-থৌরাং অমসুং চাওখৎ-থৌরাংশিং পায়খৎতবা অমসুং পাঙথোক্তবা য়াদে। মতম মতমগী ওইনা মীয়ামগী থবক কয়া তৌদবা য়াদবগী মথৌ তারকই। মসিমক্না তৌদুনসু লাকই। হায়রিবা ফীভমসি ইন্দিয়াগী ওইনা য়েংলবসু য়ুনিয়ন টেরিটোরি দেল্লী নৎত্রগা ঙরাং নহান্তা ওইহনখিবা জম্মু কাশ্মীরখক্তগী ৱাফম নত্তে। লৈবাকসিগী ষ্টেটশিংদা অমুক হায়রুরগনা চাওখ্রবা উত্তর প্রদেশ, মধ্য প্রদেশ নৎত্রগা পীকখ্রবা নাগালেন্দ খক্কী ওইবা ৱাফমসু নত্তে। লৈবাকসিগী য়ুনিয়ন টেরিটোরি অমসুং ষ্টেটশিংগী ওইবা ৱানি। অদুগা মালেমগী মফম পূম্নমক্তা লৈরিবা ফীভমসু চপ মান্নে। হায়বদি মাগী মাগী লৈবাক মীয়ামগী মথৌ তাবা থবকশিং পায়খৎতুনা পাঙথোরকপদা তঙাইফদনা শেল চঙই। শেল য়াওদনা অসিগুম্বা মখল অমত্তগী থবকশিং তৌবা/পাঙথোকপা য়াদে। মরম অসিনা পাঙথোকফম থোকপা, পাঙথোক্তবসু য়াদবা থবকশিং অসিগীদমক শেলগী মথৌ তাই। হায়রিবসি অকক্নবা মরম অম-নিগী ৱাফম নত্তে। মীয়ামগী পুন্সি মহিং, মরেল, চান-থক্নবা চিঞ্জাকশিংদগী হৌরক্লগা অনা-লায়েং, মহে-মশীন তম্বা য়াওনা মীয়াম্বু খুয়া তুশিৎনা হিংহন্নবা মথৌ তাবা থবকশিং পাঙথোকপদা শেল চঙই। শেলগী তঙাইফদবা লৈ। মসি ওইরগদি মথৌ তারিবা অমসুং তঙাইফদনা চঙলিবা শেলশিং অসিগী মপু মতৌ করম্না ওইবা ঙমগদগে? চঙগদৌরিবা শেলশিং করি তৌরগা খূৎতা পায়বা ঙমগদগে? ৱাহংসিগী পাউখুমদা মালেমগী লৈবাকশিং লোইনা লামশিন্দুনা কোৎশিল্লুবগী মথৌ তাদে। মরমদি মালেমগী লৈবাকশিংগী মরক্তা লায়রবা লৈবাক খরা য়াওজরবসু ইনাক খুনবা, শেল ৱাৎতবা, মরল মথুম লৈরিক-লৈরাক থন্না লৈবা লৈবাক ময়াম য়াওই। মশাগী মখোঙনা মরোমদোম লেপচবা ঙম্বশিং লৈ। ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংদা য়েংলুরবসু শেলগী অৱাৎপা লৈতবা ষ্টেটশিং য়াওরি। তৌবদবু লৈবাকসিগী ওইনদি লায়রবা ষ্টেটশিংনা মশীং হেল্লি হায়বনি।

অদুবু ওইরক্লিবা ফীভমসিদা খ্বাইদগী হকচিন্না য়েংদবা য়ারক্ত্রিবদি মণিপুরগী ৱাফমনি। ইশাগী শুমাং শিৎতনা মীগী শুমাং শিৎলুবা য়ারোই। য়ারবসু মীগীদা ওইনা কান্নখিনি, মণিপুরগী কান্নহৌরোই। মীগী মতেং পাংবা হায়বসিদি ইশাগী ফীভম ফরগা অমসুং খোঙফম চেৎলবা মতমদা পাংগদবনি। চাক চরা ৬ চারক্ত্রবা মণিপুরনা চরা নাম্মখক্তং হেল্লকপা ষ্টেট নৎত্রগা য়ুনিয়ন টেরিটোরি অমদা ইশাগী চাক্লক থাংদোক্তুনা পীজরুগদবা নত্তে। মসি ওইরগদি মণিপুরগী মীয়াম চরা হেলহন্দবগী মথক্তা হীরম খুদিংমক্তা খুয়া তুশিৎনা হিংবা পুন্সি মরেল অমা ওইরক্নবা কৈদৌবা তাবগে? তঙাইফদনা চঙলিবা শেলশিং অসিগী মপু করম্না ওইরকপা ঙমগদগে হায়বদু থিদোক্লগা লম্বীদুদা খুরুপ থাদুনা চেনশিনবগী তঙাইফদবা লৈরক্ত্রিবরা? ৱাহংসিগী পাউখুম মমাঙ-মমাঙদা লৈখিবা লৈঙাক্লোইশিংনসু মতম-মতমগী ওইনা খুমখি। হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক্লসু খুন্মী। মখা তানসু খুমখিগনি অমসুং খুমখিগে হায়রক্কনি। মীয়ামগী মীহুৎ ওইদুনা লৈঙাক্লোন খূৎপায়নরিবনা হায়রকপা মশানা তাবনি। পাউখুমসিগী মথক্তা মণিপুরগী মীয়ামগী চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিংসু তৌরি, তৌখিগনিসু শোয়দনা হায়রক্কনি। অদুবু চহী ৫/৫গী ওইনা দেল্লীনা থুংলকপা চাকথুংশিংনসু মথুন ফুলহনবা ঙমদে। প্রোজেক্ট অমসুং স্কিমশিংনসু লায়রবা অমগী শেঙ্গাও ইনাকখুনবা ১০না থলহনবা ঙমদে হায়বদুগী ফীভমদা অদুম্মক লৈ। ওইরিবা মতৌসিদি শুরি, চারি, দেল্লীনসু পীরক্লি হায়বদুনি। চহী কয়াগী মমাঙদগী মণিপুরদা পক্লক্লবা তমথীরবা লায়নাশিং কোকথোক-চামথোকপা ঙমদ্রি। মরম অসিনা নুংঙাইথোকপা, পেন্থোকপগী থৌরমশিংগী মশীং য়ারিবমখৈ অঙম্বা থাক্তা ককথবগা তূম্বা মচেৎ, চাবা মচেৎ হোৎনদুনা খুমাং অনীমক হোৎলগা মাঙলোমদা চঙশিনফম থোক্লি। য়ুনিয়ন লৈঙাক্না পীরকপা শেলদগী শেল মচা পোকথোরক্নবা হৈনা-শিংনা শীজিন্নবা চঙলি। মীয়াম্না য়াবা লল্লোনবগী থবক হেন্না পাকথোক চাওথোকহন্নবা পোখোক মরাং কায়না পুথোক্নবা হোৎনবা চঙলি। মীয়ামগী থবক-থৌরমশিং কুম্মৈদৌনা ঙাইহাক হরাওদুনা মীৎ পেন্নবা ওইনা তৌবা চুমদে। তুং কোইনা মহয় য়ানগদবশিংদা মায় ওনশিল্লো।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫০

১) **“মণিপুর গৌর লীলা”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

২) E.F. Watling না ইংরাজিদা হন্দোকপা, The Theban plays, Penguin Books, 1947 তা ফোঙখ্রবা King Oedipus তগী মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৩) **“মনোরমা”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৪) **“অপীকপা নুংশা শ্বর”** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং কনানা ইবনো?

৫) **“ঐনা ঈশৈ শক্লগা শক্লিবা/ঐনা লাউরগসু লাউরিবা/ফনা মান্নরি ঐগী খোন্দাগসু/কনানো শকউদবা নহাকপু”** শৈরেং মতেক অসি কনানা ইবা লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগী লৌথোকপনো ?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ৩০, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।


ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুন্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুন্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# নেসনল অনএমপ্লোয়মেন্ট দে - চুন্নিদ্রা, লাল্লিদ্রা!

**হেক্তা হায়নীংলকই - ৭২০**

**জিতেন নামৈরাকপম**






ফাগিওই তৌনখিবা, মীয়াম্না পাম্না তান্নখিবা, উনখিবা ভিদিওরা নৎত্রগা ওদিওরা মদুসু নীংশিংবা ঙমজররোই ৱারৌবিরোই। “মীওইবগী পুন্সি তম্বা ঙম্বা নত্তে। ঙরাংতা রিস্লো থৌরম্বা নুপাদু ঙসিসু থৌরগা অদুম্মক লাকই।” ঙরাংতা চাকনীবা ওইরম্বদু ঙসিদি নিংথৌ ওইরে। অসিগুম্বা প্রোভার্বকসি মীয়াম্না য়াম্না হায়নবনি। অমুকসু মীয়াম্না শকখঙনবীরবা তামো মোইরাংথেম ইনাওনা ইবা রেদিও দ্রামা “কৈদৌঙৈ লোইগনি ঐখোয় ইমুংগী লাঞ্জাওসে” এ আই আরনা হঞ্জিন হঞ্জিন শন্দোকখ্রবা রেদিও দ্রামা অদু মীয়াম্না তানখ্রবনি পূক্লি পায়না নোক্না নোক্না মীওইববু ৱাখল খলহনখি। মদুদা তাদা মংলেম হৌজিকপুদি মহাক মশা লৈখিদ্রবা তুংদা ইকুবোক অমুক থোক্লে। মরমদি লৈখিদ্রবগী মচানুপী অমা ঐগী ইখুরাগী মচানুপা অমনা লুহোংদুনা ঐখোয়গী শাগৈদা তিল্লবনিনা ইকুবোক থোক্লে হায়জবনি। হায়রিবা দ্রামা অদু শান্নবা মতমদা মহাক্না তৌরমগদবা এক্টিং, বোদি লেংগ্বেজ, খোন্থোক্কী অনেম-অৱাং, শীজিন্নরমগদবা মখল মখলগী এক্সন কয়া দ্রামা তানা-তানা মীৎমাংদা ফন ফন ভিভিদলি (Vividly) চোঙথোরকখি। মহাক্কী নুপী অদুগা (দ্রামাদুগীনিকো) থেংনখিবা পুন্সি লানফম অচুম্বতা ওইবা অৱাবা পুন্সিগী মশক ওইখি।

মখা তারকপা ওইনা থায়নগী গ্লুকোজ কৌতা অশংবদো (হৌজিক্তি কৌতাদা লাকখিদ্রে চেগী বোক্সতা নৎত্রগা প্লাষ্টিক বোট্টলদা য়োন্নগা থুংলরে) মদুদা য়াওবা লুপা ২ চৎপী মচু ঙাংলপ তৌবদো মদু তূমিন্না লৌথোক্লগা লোটরি ককপা, হোটেল ফম্বা, মচানা নিংঙাই তৌবা, নোং য়ুরকপদগী ফমুংগী কাঞ্জলদা শাতিন তুপ্পগা লেনবা পুন্সি মরেল, মদুদা নুপা নুপীনা ঙাঙনখিবা দাইলোগকী অওক অথোম, মৈতৈ ইমুং অমদা নৎত্রগা ইমুং চাম্মা চাম্মদা থেংনখিবা ৱারীবু হিংনা চঙ চঙ লাউনা পুথোরকপনি হায়নীংই। অদুগুম্বা মখলগী ইমুং মৈতৈ কাঙলূপ খক্তগী ৱাসু নত্তে। মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা ইন্দিজিনস গ্রুপ নৎত্রগা পিপল হায়গেরা অদুগুম্বা থৌদোক ৱাথোক, অৱা অনাগী লৈত-লায়রগী, হেল্থ, এদ্যুকেসন, ফুদ এন্দ ন্যুত্রিসন, য়ুমলৈ কৈরৈ অদুক্কী মতিক ৱারিবা লমদম অমা হৌজিকসু ওইরি। ওইখিনি। মদুগী রেদিও দ্রামা অদুদা খ্বাইদগী হেন্না ফজরবা দাইলোগ হায়বা তারগদি কাউখ্রগসু মতেক অম্‌তং নীংশিংজরি - (য়ৈখাই থিনগাইদুনা পুমতোই তোইহল্লগা) “পুন্সিসে মকোক্তগী অমুক হৌহনবীরো” লাইদা ৱাকৎচবনি, ঈশ্বর কৌবা শক উদবা মঙোন্দা।

অৱা অনাগী, লৈত-লায়রগী পোৎলুম্না নম্বো পোদুনা পুরগা চৎলিবা মীওই কয়া মণিপুর, কংলৈপাক অসিদা লৈরি কাউবীগনু। খুদম ওইনা, অদোম অদোমগী খুঙ্গংদা, লৈকায়দা, মফম মফম খুদিংমক্তা শোয়দনা থেংনবীগনি। পূম্নমক অসিগী ৱাকৎফম কনাদা তাই লৈঙাক্তা। ইপা-ইমা শক্না লৈঙাক্তা দিমোক্রেসি চৎনরিবা লৈঙাক মপুদা হেক্তা মতারকই। লৈঙাক্লসু তূমিন্না লৈশিনবদি নত্তে। থবক ওইনা পাঙথোক্লি। লম্বী, থোং, মৈ-ঈশিং, অনা-লায়েং মতাংদা হোৎনবীরি। প্রাইম মিনিষ্টরগী অমদি ঐখোয়গী চীফ মিনিষ্টরগী ওইনসু হেল্থ কার্দ চহীদা লুপা লাখ ৫ (ঐগী ওইনদি লৌজদ্রি, ফংজদ্রি পাউ ওইনা সুম তাবগী ৱানি) লুখ্রাবীদা, দিফরেন্টলি এবল্ড পর্সনশিংদা, ওল্ড এজ ওইরবশিং অমদি মথং মথং... পেন্সন পিবিরি তাজৈ। কয়াদা ফজখ্রবা। অদুগীসু মথক্তা লায়রবশিং চরা হেলহন্দনবা লুপা ৩দা য়েনবা চেঙয়েন সুপরফাইন (চেঙয়েনদা কিলো ফাইগা ফাদেগা ফূনবদা মকোক কায়নবা য়াওনখ্রে, ইকায়দ্রা) মতমদুগী কোংগ্রেসনা লুচিংবা য়ু পি এ লৈঙাক পায়রিঙৈদা চথুরম্বা নফসাগী চেঙয়েন ঙসিসু বি জে পি লৈঙাক্না মওং তানা চথুবিরি থাগৎনীংঙাইনি। মোদিজিগী থম্বালগী লৈঙাক মালেম পূম্বনা থাগৎনরিবনি। শোমদসু অমুক শ্রী এন বিরেন মীয়াম্না হরাওনা নুংঙাইনা থাগৎনরিবনি। জে দি-য়ুদা ভোট কারকখিবা এম এল এ ৪রা/৫রা খংচোং চোংশিনখিমদুসু খংপ্রেক খংনা ফূগ্রি হোৎলগা, খোঙ খূৎ চপ তিংথোক্লগা ও খোংনা নোক্লিংই হায়নবসু য়াওদবা নত্তে। ইজখিবা ৱাহৈ পরেং মথক্কী অসিদা ঐনা লুনা গুরুনি খঞ্জরিবা লৈখিদ্রবা ওজা এলাংবম দিনমনিগী ৱাহৈ মতেক অমা য়াওখ্রে, ঙাকপীগনি।

নুংঙাইরে, নুংঙাইরে মোদিজিগী লৈঙাক ঈশৈবু শকপও, লৈঙাকসিগী মায়োক্তা ঙাঙলুবশিং পুলিস থাজিন্দুনা ফাবও, পুনবা, জেলদা হৱাই থোংবা পীজবা, নোংমৈ পায়রগা অকন অশিং শাবা কাঙবুনা ওইগদ্রা কোংগ্রেস ভবনগী গেটতা খোঙপাক্না কাউবা অফাও অফাওবা মথন্তা ফাওজবা মীওইশিংগী মশীংসু নোংম-নোংমগী হেঙ্গৎলক্লব্রা খঞ্জে।

ইহে ঐনা ঙসাই আ মমাঙদা ইজনীংখিবা পাউদমজনীংবা অদুগী ৱাংমদা লান্থোকখ্রে। তেনশিন্না ইজরি। সেপ্টেম্বর ১৭, মোদিজিগী বার্থ দেগী হরাও তয়াম ফোঙদোক্লরিঙৈ মতম অসিদা নাকল অমদা অমুক ওবজার্ভেসন দে অমা ওইনা ঙরাং-নহান্তা পোক্লকই - নেসনল দে অমা - “হায়বদি নেসনল অনএমপ্লোয়মেন্ট দে”। অসুক ফৈ হায়নরিবা লৈঙাক চহী ৭/৮ ফারক্কদৌরবা মতম অসিদা থবক ফংদবা নহাশিংগী মশীং ক্রোর ক্রোরনা খুজিং ওইরক্লে হায়বসিদা লানগদৌরিবসিসু কদাইদনো? খুদম ওইনা অদোম অদোমগী য়ূম, শাগৈ-নাতৈ, মরী মতা, লৈকায়, খুঙ্গংদা অমুক্তং য়েংবীয়ু। ষ্টার্ট অপ, ষ্টেন্দ অপ, মুদ্রাগী লোন শিংদ্রগদি নঙক ককপগী মওংদা লাকপসু, লাক্ত্রগসু, শিংদ্রগদি য়াবা নত্তে। মতম অমা ইশানা পুথোকচবা চেঙ-চাক, ঙা, মনা-মশিং, হৈ-রা ... পূম্নমক লেম্না য়েনবা সুপরফাইননা থমাইখ্রে। ও! নুংশিখ্রেদা মণিপুর ইমাগী নচা-নশুশিংগী মরাইবক। হৌজিক্তি লাইফ সিক্যুরিটি লৈবা থবক অমত্তা লৈত্রব্রা খল্লি। ওন্ত্রপ্রেন্যুর খরা থোরকপা নত্তনা। মদুখক্তনা ওইবসু য়াবা নত্তে। য়েন, ওক, ষণ লোয়য়ু হায়রক্কনি। লমসু লৈতে, ওক লোয়ফমসু লৈতে, এম এ সীদা ফর্ষ্ট ক্লাসতা পাস তৌরকপী ইচলশিং থোকপা অমা হৈগ্রু, হৈমাং, মঙ্গে, হৈনৌ, চোরফোন ... গী অচার শারগা, কেন্দল পিকত্রু লাই কৎনবা, ধুপ শারগা হিংননবা হোৎনজরি। বি জে পিগী জি দি পি হেঙ্গৎলক্লে ইন্দিয়াগী শেল থুমগী ফীভম ফগৎলক্লে লাউবনদি কান্নরোহৈ। সোমদা থবক ফংদবা, শুফমসু লৈতবা মীওই ক্রোর ক্রোরদা লৈরি নীংশিংবীয়ু। ●

# ঈনাৎলা, মীনাৎলা য়োকখৎকদবসি ! - ৮৫

**ৱাখল ইহুল**

**সোরাম ইবোহল লুৱাং**

অদুম ওইনমক মালেমসিদা লৈরিবা মীওইবা হায়বা, অহিংবা মখল খুদিংদগী অহেনবা ৱাখল-লৌশিং লৈবসিনা নুংতি নুমিৎ খুদিংগী উরিবা কোরৌহনবা (নুমিৎ), থাজ (থা), থৱান্মীচাক (ষ্টার), মীৎনদি উবা ঙমদবা অদুবু অৱাংবা থাক্কী থিজিল্লোইশিংনা পুথোকপা/শাবা চাওখৎলবা খূৎলায়শিংগী মতেংনা উবা/খঙবা ঙল্লিবা কয়াদি মালেমগীদা হৌরকফম লৈ হায়নরিবশিংগুম্না তৌদবা মাল্লি হায়বা তাই। পুথোকপা হানবা মীশক্তুগী/অপুন খূৎপু অমগী মমিং থোনবদুনা হৌরকফমগী মশক ওইনা লৌনৈ। মসিনা নাকল অমরোমদা থমখ্রগা - মালেমগীদা লৈরিবা তোঙানবা মীওই ফুরুপশিংনা থাজনা চৎনরিবা লাইনীংগী খ্বাইদগী মরু ওইবা ‘লাই’ হায়বসিগী হৌরকফম মরু ওইবা মফমদা - মাগী মাগী চৎনবী থাজনবগী মতুংইন্না শম্না লাইফমলেন ওইবদুদা ঙসি ফাওবা লেপ্তুনা চৎনরি। মসিগী নুংগী ওইবা ৱাফমদি - “হৌরকফম হায়বদি অশেংবা মফমদুগী মরমদা খোঙনা-পাম্বে অমা শীজিন্নদুনা চৎলগা - করিনো, করম তৌবনো হায়বদু মিৎনা উরগা খঙনীংবদগী ওইগনি খল্লি। ওইফমসু থোকই। ৱারীদা লিরিবদুগা, লাইরিক্তা ইরিবদুগা করি করম তৌবা হায়বদু মশানা মফমদুদা চৎলগা হেক হকথেংননা উরুরবদি কয়াম থাজনীংঙাই ওইবা ওইদবা হায়বদু মশানা লেপচবসু ঙমগনি। অদুবু মতমগী খোঙচৎতা খুদিংমক নৎত্রবসু অয়াম্বদি অওনবা/অহোংবা খরদি লৈবনা করিগুম্বা মতমদা মথক্তা ৱারীদা য়াওবা, লাইরিক্তা ইবদুগা খরা তায়োন্নবা ওইবসু য়াওবা য়াই। লাইনীং লাইশোন অমদা খরা হকচিন্না লৌবা/থাজবা মীশক খরদি হান্নগীদুদা থাজবা অদুম থন্নগা হোংলম্বা/ওল্লম্বা ফীভমদুদা মথৱায় নুংঙাইজদবা য়াওরম্বসু য়াই। খরনা ইচম চম্না খল্লম্বসু য়াই।”

মালেমগী মফম কয়াদা লৈরিবা তোঙানবা লাইনীং লাইশোনগা শুকমান মান্নদবা মওংদা ইরমদমসিগী মমিং নৌনা মণিপুর কৌরবা মতুংদা খূৎশেম্না পুথোকপা লাইগী মশক-মওং, কুচু মশাগী অশেংবা হৌরকফমগা মান্নদবা হায়বসিসু ৱারী লিবা হৈবা অমনা মালেমগী মীয়ামদা লিরবদি য়াম্না ঙক্না নুংঙাইবা পোকপসু য়াই। অমুকসু খূৎশেমগী ওইনা পুথোকপা লমদমমুদা লৈজনীংদ্রে হোংলগে হায়না চৎখিবসিবু মালেমগী লাইনীং লাইশোন করম্বদা য়াওবগে/থেংনবিবগে? মসিবু হংবা য়াবা ৱাহং ওইরোইদ্রা? খঙদবদগী অতৈগীদগা য়াওরল্লবদি হায়না অখঙবশিংদা তাকপীরক্নবা হংগৎচবনি। মালেমগী অতৈগা মান্নদবা লাইনীং লাইশোন্দু করম্বনো হায়বসিদি পাবিরিবা মীয়ামদা পাউখোং ওইনা চঞ্জরগা তাঙ্ককসিগী ওইনা তেনশিঞ্জরগা অমুক মখা খরা চথুজরকখিগে।

মালেম্না মশক খঙলবা মরু ওইবা লাইনীং লাইশোন অমগী লাইনীং লিচৎকা হায়ফেৎ মান্নবা পরিংদা অনৌবা লাইনীং লিচৎ অমা খাঙুথক্তা শেমগৎলবদি কমদৌবা?

হান্না মালেমগীদা মশক খঙদুনা লৈরবা লাইনীং লাইশোনগী মরমদা নৈনবদগী খঙ হৈরবা, ৱাখল লৈরবা মীওই কাঙবু খরনা পুনশিল্লগা, তান্নরগা লন্নাই মচিন চৎপা মীওই অমগী মশাগী অপাম্বগী মতুংইন্না লাইনীং লিচৎ অমা শেমগৎপা য়ারবদি মালেমসিদা মান্ন-মান্নবা লাইনীং লাইশোন অমগী মখাদা অনৌবা হায়ফেৎ মান্নবা লাইনীং লিচৎ কয়া অমা থোরকপা য়াব্রা হায়বসি লাইনীং লাইশোনগী মরমদা অখঙ অহৈশিংনা হেন্না খঙবীরমগনি হায়না থমজগে। য়াই হায়না খল্লবদি মপূং ওইবা লাইনীংদুদা কায়দ্রবসু মচেৎ মকায় ওইবা লাইনীং অমা ওইরকপা হায়বসি মশানা তাবনি। মসিনা মরম ওইরগা লম মতেক খরগী লাইনীং লিচৎ ওইবসি থোক্লরকইবনি। মমিংসু অদুম খরা খরা খেন্ননা থোনবা থেংনদবা নত্তে। মসিগী মরু ওইবা মরমদি মচেৎ মকাই ওইনা অমদগী খরা লৌশিন অমদগী খরা লৌথোক, ইতোৎ তোৎশিন্নরগা শেম্বা লাইনীং লিচৎকী য়ূম্ফম থোনবনি হায়না লৌবদা লানগনি থাজদে। মসিগী মতাংদা খুদম খরা ওইনা মখাগীদা অসুম্না লৌখৎচরি।

লমাবম গোজেন্দ্রনা খোমজিনবা “মৈদিংঙু চীংথং খোম্বা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র’ হায়বা লাইরিকসিগী ৱাহৌদোক্কী চেমায় অহানবগী ২শুবা মকক্তা “হান্নগী নাৎ কলচরগী মশক অদুনা অনৌবা চঙলক্লিবা অদুগা অনী য়ানশিন্নখিদুনা অনৌবা ফজরবা কলচরগী মশক অমা থোকখি।...। রাস লীলা, নট সঙ্কীর্ত্তন, গৌড় লীলা, উদুখোল, গোষ্ট, খূবাক ঈশৈনচিংবা অসি বৈষ্ণব ধর্ম্মনা পুথোকখিবা ঙাক্তনি। থোইদোক্না মণিপুরী আর্ট অমসুং কলচর পূম্নমক্কী হৌরকফমনি হায়নরিবা লাই হরাওবা, মার্সিএল আর্ট, থাঙ-তা অমদি অতৈ পর্ফোর্মিং আর্ট কয়াগী মশক ... অসিদা য়াওখি। লৈবাক অসিগী লাইনীং লাইশোন, চৎন-লিক্লম, ত্রেদিসন অমদি নাৎকী মশক কূপ্না খঙলবা ওজা গুরু কয়ানা অনৌবা অসিগী লময়ানবা ওইরকখি। ... লাই হরাওবা অমদি থাঙ-তাগী অকূপ্পা মশক খঙদনা রাস অমদি ... ওইথোক্তে। বৈষ্ণব ধর্ম্মনা পীখিবদি ৱারীগী কাঙলোন, ভাব রস অদুতনি। মপূং ওইবা শাথেক শাওং, ফিদুপনচিংবা অদুদি অরিবা নাৎকী মচলশিংদা য়ূম্ফম ওইখিবনি।” লাইরিকসিমক্কী চেমায় ৯গী ১বা মকক্তা “ভাগ্যচন্দ্রনা রাস লীলা অসি শ্রী মদ্ভাগবতকী ১০শুবা পন্দুপকী শ্লোক ২৯-৩৩দা শাগৎলগা মণিপুরগী মহৌশাগী লৈজরম্বা জগোয়গী মওংশিং অদু হাপচিন্দুনা, হিন্দু অমসুং মহৌশাদগী লৈজরক্লবা মৈতৈ জগোয়-শাথেক অমদি খূৎথেকশিং তিন্নদুনা...। ৱাখল চঙনা, অরিবা, নৌনা চঙশিল্লকপা হিন্দুগী ভাব অনী অসি পুনশিল্লগা শেমখিবা... রাস লীলা অসি রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রনা মালেম অসিদা তম্লম্বা খুদোলনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই।”

হুইয়েন লানপাউ, জুলাই ১১, ২০২২গী এদিসনদা ফোঙখিবা “ইপা ইপুশিংনা থম্বীরম্বা মীতৈ জগোয়শিং ঙসিসু মূত্তনা লৈরি” হায়বা কেপসনসিগী মখাদা মমাঙ থাগী ১১দগী চথুরকখিবা লাই হরাওবগী জগোয়গী ত্রেনিং কম প্রদক্সন কেম্প ককৱা লিলান্দো লম্পাক্কী য়োই য়াই ত্রেদিসনেল কলচরেল সেন্টরনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবদু লোইশিনবগী থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমিগী হান্নগী সেক্রেটরি এস বিদেশ্বরনা হায়খিবদা “লাই হরাওবা হায়বসি য়াম্না ফজবা মশক অমা ওইবদা নত্তনা কৎলিবা জগোয়শিং অদুবুসু শেম্বীবা মপুনা পেনবীনবা হায়দুনা য়াম্না নোল্লুকপা অমগা লোয়ননা শাবা জগোয় মখলনি।...। পুঙ চোলোমদা ওইরো, জগোয়দা খুজেং লৈবী হায়দুনা লৈরিবা কয়াসি থাঙ-তাগী ঙাক্তনি। ঐখোয়গী ওইনা মাঙবদি নত্তে। অদুবু থাঙ-তাগী ওইরবসু ঐখোয়গী ওইবশিং, লোৎশিল্লগা হিন্দুরোমদা পুথোক্লগা থম্লম্বনি। তপ্না তপ্না হিন্দুনা পুথোরকপনি হায়খি।” পাউচেসিগী পাউদম মখা তানা অসুম্নসু য়াওই - মহাক (এস বিদেশ্বর) বামোন ওইজরবসু হিন্দুগী বেদ লাকপসি... হেক্তা মূথৎপা য়াদে। মরম অসিনা য়ারিবমখৈ য়ানশিন্দনা শেংনা চৎপীয়ু হায়বীখিবসিনি। “মণিপুরগী মপানগী মীওইশিংনা মণিপুর জগোয় তমগে হায়না য়াম্না লাক্লম্মী অদুবু হৌজিক্তি লাক্ত্রে হায়বা য়ারে। মরম অসিনা থবক ফজনা তৌবীয়ু, রেকোর্দ ফজনা থম্বীয়ু হায়বগা লোয়ননা একাদেমিগা তান্নরগা চৎপীয়ু হায়খি।” ●